ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, নবেম্বর ১১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২২৭শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবা ঙমদবা

## লৈঙাক্কী এস ও পি মপূং ফানা চৎনহনবা ঙমদবগী মহয় ওইগদৌরিব্রা?

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসিগী ফীভম নোংম-নোংমগী লুশিল্লক্লি। নিংথমথা চঙলকপগা ইরোয়ননা লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপদগী তোঙান-তোঙানবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা অমুক হন্না কমপ্লিট লোকদাউন তৌদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনখ্রে। মার্চ থা লোইরমদাইদা ইহান হান্না শন্দোরকখিবা লাইচৎ অসিগী অহানবা ৱেভ মায় পাক্লা লাকশিনবা ঙমখ্রবা য়ুনাইটেদ কিংদমদা হৌজিক অনীশুবা ৱেভ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা নোংমদা মীওই লিশীং-লিশীং পোজিটিভ ওইরকপা থেংনরে। মালেমদা খ্বাইদগী মাঙজিল থানা চাওখৎলে হায়না লৌনরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতদি কা হেন্না ফীভম লুশিল্লকপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ক্রোর অমা হেনখ্রে। য়ু এসকী ওইনা হৌখিবা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা অনৌবা কেস লাখ ১০ রোম হেনগৎলকপা থেংনখি। মমাঙ চহী লোইরমদাইদা ইহান-হান্না চাইনাদা শন্দোরকখিবনি হায়না থাজনরিবা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অমেরিকন লাখ অনী মখায়রোম শিখ্রে। মালেম অপূনবগী ওইনা নুমিৎ খুদিংগী কোভিদ-১৯না মীওই ১১ শিহনবদা মীওই অমা অমেরিকননি। মালেমদা খ্বাইদগী মাঙজিল থানা চাওখৎলে হায়না লৌনরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোভিদ-১৯গী ফীভম কা হেন্না লুশিল্লক্লিবসি প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোকখিবনা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মীপূম খুদিংমক মীখলগী ঈথক-ঈরাংদা তাওরিবৈঙদা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্নবগী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) থৌশানরক্তবা মরম্না পোজিটিভ ওইবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা মোত পীরি। য়ুনাইটেদ কিংদমদসু কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ য়ৌরকপগা লোয়ননা লাইচৎ অসিগী ফীভম কা হেন্না লুশিল্লক্লি। মার্চ থা লোইরমদাইদা অহানবা ওইনা শন্দোরকখিবা লাইচৎ অসি ওগষ্ট থা য়ৌরকপদা ফনা য়াম্না খুমাঙ চাওশিন্না লাকশিনবা ঙম্লুরবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনসু ষ্টেট অয়াম্বদা লাইচৎ অসিগী ফীভম কা হেন্না লুশিল্লক্লে। লৈবাক অসিগী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং লাখ ৮৬ য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা মহারাষ্ট্র, দিল্লি, ৱেষ্ট বেঙ্গোল, উত্তর প্রদেশ, কেরলা, কর্ণাটাকা অমসুং টামিল নাদুদা মী শিবগী চাং ৱাংখৎলক্লে। মণিপুরদসু হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস মশীং অসুম-অসুম হেনগৎলকপগা লোয়ননা নুমীৎ খুদিংগী মী শিরি। লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমদি মীপূম খুদিংমক ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা খূৎ-শা তোয়না হামগদবনি অমসুং মীওইবা মশেলগী মরক্তা য়ামদ্রবদা ফুট ৬ লাপথোক্লা লৈনগদবনি হায়বসিনি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু মণিপুরদা নুমিৎ খুদিংগী পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা মী শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। চৈরকসিদা ৱাঙ্গোই, লিলোং, ৱাংজিং তেন্থা অমসুং সাইতু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী ফীভম অমুক্কা হেন্না লুশিল্লকপা য়াই হায়না মীপাইবা পোক্লরি। মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিশিংদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি থৌশানখিদে হায়বা পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মীচম-মীয়ামদি লায়রদনা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিং ফাওবা এস ও পি ঙাকখিদে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লুরক্লি। কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সি খরদা তঙাইফদনা মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবনি হায়বা তারবসু কোভিদ-১৯গী এস ও পি থৌশানখিদবগী থৌওং অদু খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়না লৌফম থোকই। য়াম্না শেংনা হায়রবদা লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবসি মপূং ফানা এস ও পি চৎনহনবা ঙমদবগী মহয়নি হায়না লৌবা য়াই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫

১) "কালোভ্রমর" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা দিটেক্টিব নোভেল অসি মীয়াম্না পাম্নখিবা মমিং চৎপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) করম্বা চহীদা মণিপুরীবু কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিগী মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক রিকগনিসন পীখিবগে?

৩) "ঐ ইশাগী য়ূমদা ইশাগী ইঞ্জোলদা/লৈরি য়ূমতাংবা অমগুম/ইরোল-ইরী ফাওনদবা/অতোপ্পা গ্রহ অমদগী লাক্লগা থুংলবগুম/ইমা ইচা শকখঙনদনা/মীৎনা উনা উনা মরীসে/শকউদবা পল অমনা ৱাংনা খাগৎলি/কৌন ঙাঙনবা তানদনা।" শৈরেং মতেক অসি নহা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো, করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) মণিপুরীদা ইথোক্লবা "পরিক্ষিত" হায়বা লাইরিক্তুদা পরিক্ষিত নিংথৌদা শাপ তৌখিবা মুণি অদু কনানো অদুগা পরিক্ষিত নিংথৌদা চিকখিবা লিলদু কনানো?

৫) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল ফংখিবা য়েংখোম বিহারীনা ইবা লাইরিক্তু মমিং করি কৌবগে অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নুংশিৎতগী ঈশিং মনিল লৌশিল্লবা মতুংদা লৈবাক্তা তুংশিলহল্লগা মহৈ মরোং থাবা

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

মীওইবা খুন্নাইনা হিংবদা চঙবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচলশিংগী মনুংদা চিঞ্জাক হায়বসিসু অমনি। চিঞ্জাক মরাং কাইনা পুথোক্নবগীদমক লৌউ-শিংউগী লম্দা থিজিন্দুনা লাকখিবদগী অনৌবা য়াওল কয়া লাকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা শঙ্গোম মতিক চানা পুথোক্নবগী য়াওল (হ্বাইট রিভোলুসন), মহৈ-মরোং মরাং কাইনা পুথোক্নবগী য়াওল (গ্রীন রিভোলুসন) পনবা য়াই। অসিগুম্বা য়াওলশিংসি লাকখ্রবসু, হৌজিক ইন্দিয়াদা পোত্থোক মতিক চানা পুথোক্লব্রা হায়বসি হংনীংঙাই ওইরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি মতিক চারে হায়না হেক হেক দিমান্দ তৌই। অদুবু পোৎশিংগী মমল য়েংলুরগদি মতিক চারে হায়বসি হায়নীংলক্তবা য়াওই। অতোপ্পা অমরোমদনা, হৌখিবা চহী ২০ লোমসিদা লৌমীশিংনা মরোমদোম শিজখিবা (সুইসাইদ) গী চাং ৱাংখি, অদুগা লৌমীশিংনা মখল-মখা কয়াগী ৱাকৎ/প্রোটেষ্ট কয়ামুক তৌনরকখি। 'দাউন টু অর্থ' না পীবা পাউদমগী মতুংইন্না কুমজা ১৯৯১দগীনা ২০১১গী মরক্তা শেল-থুমগী ষ্ট্রেস লৈরবা লৌমী মিলিয়ন ১৪না লৌউ-শিংউবগী শিনফমশিং থাদোকখি হায়রি।


মণিপুরগী ওইনা য়েংলগসু চেঙগুম্বা পোত্থোক খরদা মতিক চাবা নত্তনা, হৱাই-চেঙৱাই, তিলহৌ-চনম, চানবা থাওগী পোত্থোক্নচিংবা কয়াদি মতিক চানা পুথোকপা ঙমদ্রি। মসিগী মরু ওইবা মরম অমদি চহী চূপ্পমা মহৈ-মরোং থানবগীদমক ঈশিং ফংদবা অসিনি। অদুনা মরু ওইবা ফৌগী পোত্থোক লোকখ্রবা মতুংদগীদি অয়াম্বা লৌফমশিং হাঙদুনা লৈনৈ। অদুনা লৈরিবা লৈঙাক্লসু ঈথৈ লৌখোং অমদি অতোপ্পা পান্থেশিংনা লৌবুক খুদিংমক্তা ঈশিং ফংহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই।

চৈরকসিদা, নুংঙাইবা পাউ অমা লাক্লিবদি, ওষ্টিনগী য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস (য়ু টি ওষ্টিন) কী এঞ্জিনিয়রশিংনা নুমিদাংগী মতমগুম্বা নুংশিৎতা ঈশিং মনিল মরাং কাইনা য়াওরিবৈঙদা ঈশিংবু খোমজিনহৌরগা নুংথিলগী মতমদা শীজিন্ননবগী অনৌবা পান্থে অমা পুথোক্লে হায়না 'এ সী এস মেটরিএলস লেটর্স' না ফোঙদোরক্লি। পান্থে অসিনা ঈথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংদবা মফমখক্ত নত্তনা, হান্না লৌউ-শিংউ তৌবা য়ারমদবা মফমশিংদা লৌউ-শিংউ তৌহন্দুনা মালেমগী পোত্থোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা ঙম্লগনি। মসিনা ঈকং থোকপা মতমদসু মহৈ-মরোংশিং থাবা য়াহল্লগনি হায়রি।

টেক্সাসকী এঞ্জিনিয়রশিংনা পুথোরক্লিবা 'এটমোস্ফরিক ৱাটর ইরিগেসন সিষ্টম' অসিদা ঈশিং মনিলবু য়াম্না ফজনা চুপশিনবা ঙম্বা জেলশিং শীজিন্নদুনা নুংশিত্তগী ঈশিং মনিল ফাজিল্লি। লৈবাক্লা অকক্নবা শাবগী চাং অমদা শাগৎলকপা মতমদা জেলশিংদুনা ঈশিংদু থাদোরক্তুনা পান্থীশিংদা ফংহল্লি। লৈবাক্লা অমুক ঈশিংদু অকোয়বদা



সেন্দি সোইলগা চাংদন্নরগা, হায়দ্রোজেল সোইলদা রাদিশ থাবগী চাংয়েং




নুংশিৎতগী হ্যুমিদ ওইবা মতমদা ঈশিং চুপশিনহৌরগা নুংথিলগী মতমদা নুংশাগী মৈশানা অমুক থাদোকহল্লকপগী মওং তাকপা লাইয়েক

থাদোরকপা মতমদা ঈশিংগী শরুক খরদি নুংশিত্তা অমুক মনিল ওইনা পাইথোকখি। মসিনা অমুক নুংশিৎকী হ্যুমিদিটি হেনগৎহন্দুনা সাইকল অসিবু মপূং ফাহনবদা লাইথোকহল্লি। ৱালকর দিপার্টমেন্ট ওফ মেকানিকেল এঞ্জিনিয়রিংগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ওফ মেটরিএল সাইন্স, 'গুইহুঅ য়ু' না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ইরিগেসন অমসুং পাৱর সিষ্টমশিং শেমগৎপগী খুদোংচাদবা মফমশিংদা মহৈ-মরোংশিং থানবগী পায়খৎলকপা থবকশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইরৈ লৈত্রি। অদুনা মখোয়গী সিষ্টমসি অনৌবা অমা ওইবখক্তা নত্তনা তুংগী আশা য়াম্না তৌনীংঙাইসু ওই।

টেক্সাসকী সিষ্টম অসি শীজিন্নবা মতমদা লৈবাক্কী গ্রাম অমনা ঈশিংগী গ্রাম ৩-৪ মুক থাদোরকপা ঙম্মী। থারিবা মহৈ-মরোংশিংগী মখা পোন্না লৈবাক্কী কিলোগ্রাম ০.১গীনা ১না ফার্মলেন্দগী স্কৱার মিটর অমমুক মতিক চানা ঈশিং পীবা ঙম্মী। ঈংথরকপা মতম, মরু ওইনা হ্যুমিদিটি ৱাংবা নুমিদাংগী মতমদা লৈবাক্তা য়াওরিবা জেলশিংনা নুংশিত্তগী ঈশিং চুপশিল্লি। নোং ঙাল্লগা নুংশা শারকপা মতমদা নুংশাগী মৈশানা ঈশিং য়াওরবা জেলশিংনা লৈবাক্তা ঈশিং থাদোরকই। থিজিনখিবা লূপ অসিনা মখোয়গী চাংয়েংশিংদু য়ু টি ওষ্টিনগী কোক্রেন স্কুল ওফ এঞ্জিনিয়ারিং টিচিং সেন্টরগী বিল্ডিংগী য়ূমথক্তা পাঙথোকখি। মসিদগী মখোয়না থেংনরকখিবদি, অকংবা লমশিংদা ফংবা সেন্দি সোইলদগী হায়দ্রোজেন সোইলনা ঈশিং ফজনা তুংশিন্দুনা থম্বা থেংনখি, অদুগা পান্থীশিং হৌহন্নবগীদমক ঈশিংগী চাং হন্থনসু দরকার ওইরম্মী।


চয়োল মরি চূপ্পা চথখিবা চাংয়েংদা, থিজিন-লূপ অসিনা অহানবা হৌরকপদা ঈশিংগী চাং চাদা ৪০ মুক তুংশিন্দুনা থম্বা ঙমখি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, চয়োল অমগী মতুংদা সেন্দি সোইলনদি ঈশিংগী চাং চাদা ২০ খক্তমক তুংশিল্লম্মী। অতোপ্পা চাংয়েং অমদনা, থিজিন লূপ অসিনা লৈবাক মখল অনীমক্তা, রাদিশ পান্থীশিং থারম্মী। হায়দ্রোজেন সোইলদা হৌবা রাদিশশিংদু অহানবা নুমিত্তা পীখিবা ঈশিংদুগী মখা তানা নুমিৎ ১৪নি ঈশিং অমত্তা চাইদনা হিংবা ঙমখি। অদুবু সেন্দি সোইলদা থাখিবা রাদিশশিংদুদদি চাংয়েংদুগী অহানবা নুমিৎ ৪দা হন্না হন্না ঈশিং চাইবগী মথৌ তাখি। সেন্দি সোইলদা হৌখিবা রাদিশশিংদুদি অহানবা নুমিত্তা পীখিবা ঈশিংদুগী মখা তানা নুমিৎ নীনি ঈশিং পীদবদা নুমিৎ ২গী মনুংদা শিরম্মী।

'ৱাটর হার্ভেষ্টিং সোইল' অসি গুইহুঅ য়ুগী থিজিন-লূপ্না চহী ২ হেন্না পাঙথোকখিবা টেক্নোলোজিবু শীজিন্নবগী অহানবা খোঙথাং অমনি। মমাঙগী চহীদা লূপ অসিনা 'সুপর স্পোঞ্জশিং' গুম্না মথৌ তৌবা ঙম্বা জেল-পোলিমর হায়ব্রিদ মেটরিএলশিং শেমগৎতুনা নুংশিত্তগী ঈশিংবু ফাজিল্লগা, শেংদোক্লবা তুংদা অমুক হন্না নুমিৎকী মৈশা শীজিন্নরগা থাদোকহল্লকপা অসিদা মায় পাকপা ঙমখি। মখোয়গী সিষ্টম অসি খরগা হেন্না পাকথোক-চাউথোকহল্লগা, লন্নাই য়ূমশিং নৎত্রগা শিন্মীশিং নৎত্রগা লান্মীশিংগুম্বা মফম অমদা পূন্না লৈরিবশিংগী থক্লবা ঈশিং পীবদা শীজিন্নবসু য়াগনি হায়রি। ●

# লন্দন সহরদা অহানবা ওলিম্পিক ১৯০৮

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

কুনশুবা চহী চা হৌরকপদগী বৃটিশনা মালেমগী শরুক অয়াম্বা লোইলম শন্দোক্তুনা মপাঙ্গল কনখৎলিঙৈ অমদি শেল-থুম মরাং কায়না ৱাত্ত-পাদনা লৈরিঙৈ মতমদা লৈবাক অসিগী কোনুং লন্দন সহরদা কুমজা ১৯০৮দা পাঙথোকখিবা মরিরকশুবা ওলিম্পিক গেমস হৌদোক্কদবগী নুমিৎ খরনি ৱাৎলিঙৈদা ওলিম্পিক অদু মায় পাক্লা পাঙথোক্নবগীদমক চহী অসিগী জুলাই ১৯দা লন্দন সহরগী লাই খুরুম্ফম সেন্ট পাওলস কথিদ্রেলদা লাই খুরুম্বগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পেনসিলভানিয়াগী বিশোপ্পা ৱা ঙাঙবদা "The important thing is the Olympic games is not so much to have been Victorious as to have taken part" হায়বা ৱাহৈশিং অসি শীজিন্নখি। মহাক্কী মমল য়াল্লবা ৱাহৈ পরেং অসি বেরোন-দি-কোর্বতিন (Baron-de-Coubertin) না মমল য়াম্বা ৱাহৈ পরেং অমনি হায়না লৌখি। ওলিম্পিক অদু চথরিঙৈদা মহাক্লা অমুক্কা হন্না ফজহন্নীংদুনা মীয়ামদা মরু ওইবা ওলিম্পিক্কী ৱাখল্লোননি হায়বা খঙহন্নীংদুনা অসুম্না হায়রম্মী "ওলিম্পিক গেমসকী খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎতি মায় পাকপা অদু নত্তে, শরুক য়াবা অদুনি। মতৌ অসুম্না পুন্সিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎতি মায় পাকপা নত্তে, তৌইগুম্বসুং লান্থেংনবা অদুনি।" ৱাহৈশিং অসিনা ওলিম্পিক্কী নুংগী ওইবা ঈচেলশিং করিনো হায়বা খঙহল্লি। ঐখোয়গী লম্বেল তাকপীরি, মীওইবগী পুন্সিগী লম্বেল তাকপীরি, মীওইবগী পুন্সিদা মরীল চুম্না লান্থেংনবনা মায় পাকপদগী হেন্না মরু ওই।




সহর অসিগী শেফর্দস-বুশ কৌবা মফমদা শাবা হ্বাইট-সিটি ষ্টেদিয়মদা ভাবক লিশীং লিশীংনা এথলেটিক্সকী থৌরম য়েংলম্মী। অনৌ অনৌবা শান্নবগী থৌরমশিংসু হাপচিল্লম্মী। মসিগী মনুংদা তা লংবসু অমনি। তা লংবগী মখল অনী লৈরম্মী। অমনা ফ্রীষ্টাইল জেভলিন কৌই। হীরম অসিগীদি এথলিট অমনা লংগদৌরিবা তা অদুগী পায়নীংবা মফম অমদা হেক্তা পায়রগা লংবা য়াই। অতোপ্পা অমনা হৌজিক লংনরিবা মওং অসিদনি। তা লংবা মতমদা খূৎপায়ফম হাপ্লিবা (লংনা/থৌরি মচানা য়েৎলিবা মফম) অদুদা পায়রগা চেল্লগা লংগদবনি। স্বিদেনগী ফুট ৬ ইঞ্চি ৩ ৱাংবা ষ্টোকহোলমদা পুলিস ওইবা ইরিক লেম্মীংনা তা লংবা মখল অনীমক্তা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল অনী লৌবা ঙমখি। এথলিট অসিনা হৌজিক চৎনরিবা মখলগী তা লংবদা (ফ্রীষ্টাইল নত্তবা) মিটর ৫৪.৮২৫ থাপ্পা লংদুনা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখি।

ইরিক লেম্মীংগুম্না মহাক্লা লাকমিন্নবা অমেরিকা মচা মার্টিন সেরিদানসু দিস্কস লংবদা সনাগী মেদল অনী ফংখি। তা লংবদা মওং অনী থোক্লা লম্বা তৌনখিবগুম্না দিস্কস লংবদসু মওং অসিদা লম্বা তৌনহল্লি মদুদি গ্রিক ষ্টাইল দিস্কস অতোপ্পা অমনা হৌজিক্কী মতমদা ইন্টরনেসনল এথলেটিক্স ফেদরেসন্না অয়াবা পীরিবা দিস্কসকী মওংনি। অরূম্বা কিলোগ্রাম অনী অমসুং লৈমায়দা য়েকপা সর্কল অমগী মনুংদগী লংহনবা অদুনি। গ্রিক ষ্টাইলগী দিস্কস লংফম অদু লৈমায়দগী খরা ৱাংখৎহল্লি। ৱাংখৎলিবা মফম অদু মমাঙলোমদা লোইরোই লোইরোই ঙমথৈ। দিস্কস লংবা মতমদা লেপ্লগা দিস্কস অদু খূত্তগী থাদোক্কদবনি। হকচাং লেংবা য়াদে হায়বদি হকচাং লৈদুনা লংবা য়াদে। মখল অনীমক্তা মার্টিন সেরিদান্না মকোক ওইরম্মী।

কুমজা ১৯০৪দা সেন্ট লুইগী ওলিম্পিক্তা মহাক্লা অকনবা লম্বা তৌনরিবা নুপাদি মরৈবাক্তগী লাকমিন্নবা রালফ রোজনি। মখোয় অনীমক মিটর ৩৯.২৮ লংদুনা হায়বদি ফুট ১২৮ ইঞ্চি ১০ মখায় লংদুনা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগাইরম্মী। মখোয় অনীগী মনুংদা মকোক ওইবা অমা খন্নবা মখোয় অনীবু অহুল্লক অমুক লংহনবদা মার্টিন সেরিদান্না মিটর ৩৮.৯৭ (ফুট ১২৭ ইঞ্চি ১০ মখায়) লংদুনা মকোক ওইহনখি। মথংগী ওলিপিক গেমস ১৯০৮, লন্দন সহরদা পাঙথোকখিবদসু ন্যু য়োর্ককী পুলিস মেন ওইনা থবক তৌরিবা মার্টিন সেরিদাননা থৌরম অদুদা মকোক ওইখি। গেমশিং অসিনা ঙল্লিঙৈ পাঙথোকপা মতমদা অনৌ অনৌবা থৌরমশিং ওলিম্পিক্কী প্রোগ্রামদা দিসিপ্লিন অমা ওইনা হাপচিল্লকই অমদি মীয়াম্না পাম্নদ্রবা হায়বদি মালেম শিনবা থুংনা শান্নরম্বদগী মতমগী মতুংইন্না মীয়াম্না পূক্নিং চঙদ্রবা মশান্নশিং গেমস অসিদগী তপ্না তপ্না লৌথোকখি। খুদম ওইনা বেজবোল, ক্রিকেট, ক্রোকেট (Croquet), জিউ দি পাউম, লাক্রোসনচিংবা মশান্নশিং অসি ওলিম্পিক্কী মশান্না অমা ওইরম্বদগী তপ্না তপ্না লৌথোকখি। লৌথোকখিবা মশান্নশিং অসিগী মরক্তা মণিপুরগী শগোল কাংজৈ, পোলোসু অমনি। মশান্না অসি ওলিম্পিক্কী মশান্না অমা ওইনা কুমজা ১৯০০দা পেরিসতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ওলিম্পিক গেমসতা থৌরম অমা ওইনা য়াওহনখিবদগী কুমজা ১৯০৮ (লন্দন), কুমজা ১৯২০ (অন্টর্ৱপ), কুমজা ১৯২৪ (পেরিস), কুমজা ১৯৩৬ (বর্লিন) ওলিম্পিক ফাওবা মরু ওইবা মশান্না অমা ওইখি। মতুং তারকপদা মশান্না অসি ওলিম্পিক গেমসতগী লৌথোকখি। মরমদি মশান্না অসি শেল য়াম্না চঙবা মরম্না মালেমগী মফম শিনবা থুংনা শান্নবা ঙমদে। লায়রবা লৈবাকশিং শগোল কাংজৈ শান্নবা ঙমদে। অহানবা ওইনা মশান্না অসি পেরিস গেমসতা কুমজা ১৯০০দা য়াওহনখিবদা লৈবাক ৬না শরুক য়াখি। মখোয় অদুদি (১) গ্রেট বৃটেন (২) য়ু এস এ (৩) স্পেন (৪) ফ্রান্স (৫) মেক্সিকো অমসুং আয়রলেন্দনি। অদুবু লৈবাকশিং অসিদগী লাকপা শান্নরোয়শিং অদু মশীং শুদবা অমদি মখোয়গী শগোল পুরকপদা খুদোংচাদবা খরসু য়াওবা মরম্না শান্নরোয়শিং অদু পুনশিন্নরগা টিমশিং শেম্মগা অথোই অহেন তান্নবা অদু চথখি। মদুদা গ্রেট বৃটেন, য়ু এস এ অমসুং আয়রলেন্দগী শান্নরোয়শিংনা পূন্না শেম্বা কম্বাইন্দ টিম অমনা মকোক ওইখি। অনীশুবা তাখিবা টিম অদুসু গ্রেট বৃটেন, স্পেন অমসুং য়ু এস এনা শেম্বা টিমনি।

হৌখিবা ওলিম্পিক গেমশিংদা অমেরিকা মচাশিংনা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক তাখি অদুবু হন্দক্কী লন্দন গেমস অসিদদি ইংলেন্দগী জেমস রেক্টরনা লমজেল অসিদা সনাগী মেদলগীদমক খা অফ্রিকাগী রেনিগাল্ডৱালফরগা অকনবা লম্বা তৌনবদা রেনিগাল্ডৱালফরনা সেকেন্দ ১০.৮দা লমশাং অংদুবু হান্নগী ওলিম্পিক্কী রেকোর্দকা মান্ননা চেন্দুনা লমজেল অদু থোইখি। মদুদা ইংলিসকী ভাবকনা হরাউদুনা মকোক্তা উপলিবা তুপি অমসুং প্রোগ্রাম য়াওবা চেশিং লংশিন্দুনা মহাকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অমেরিকাগী জেমস রেক্টরনা অনীশুবা অমসুং কনাদাগী রোবর্ট কর কৌবা অমনা অহুমশুবা তাখি। রোবর্ট কর মিটর ২০০গী লমজেলদদি সনাগী মেদল ফংখি।

লন্দন ওলিম্পিক অসি ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা পূক্নিং চিংশিনবা থৌদোক কয়ামুকসু য়াওরি। মসিগী মনুংদা টিম তরেৎনা শরুক য়াখিবা মেদলী রিলেনি। মসিদা অহানবগী লমজেল্লোয় অনী অদুনা মিটর ২০০/২০০ চেলহল্লি, অহুমশুবা অদুনা মিটর ৪০০ অমদি মরিশুবা লমজেল্লোয় অদুনা মিটর ৮০০ (২০০, ২০০, ৪০০, ৮০০) চেলহল্লি। মদুদা মখূত্তা পায়রগা শিন্ননবা চৈ অদু পায়দে। মসিগী মহুত্তা মখূৎকা মখূৎকা শোক্নহল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।